# য়ূম অমদি ব্যুজিনেস সেক্তরশিং থুগাইখিবদগী পেলিষ্টিনিয়ন কয়া অৰাফমদা তাহল্লে



জেরুসালম, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালমদা লৈবা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী য়ুমশিং অমদি ব্যুজিনেস সেক্তর কয়া ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থুগাইখিবনা মরম ওইরগা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া অৰাফমদা তাহনখিবগা লোয়ননা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈহনখ্রে।

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা রামালাগী অৰাং থংবা শরুক্তা লৈবা থরমাসিয়া খুঙ্গংদা অমেরিকান-পেলিষ্টিনিয়েন কয়া খুন্দাদুনা লৈরি। খুঙ্গং অসিগী মনাক নক্তা লৈবা চীংশিংদসু পেলিষ্টিনিয়ন কয়া অপিকপা ব্যুজিনেসশিং তৌদুনা হিংনবা হোৎনরি। অদুমওইনমক ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অসিদা চঙশিল্লক্তুনা য়ুম অমদি ব্যুজিনেস সেক্তরশিং মাঙহন তাকহনবগী থবক চথবা হৌরকখিবনি।

ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লোনা য়াদবা মওংদা হায়রিবা খুঙ্গং অদুদা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা য়ুম শাজিন্দুনা লৈশিনখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী মফম অদুদা লল্লোন ইতিক্কী থবক চথদনবা অমদি য়ুম শাজিন্দনবা কয়ারক হন্না খঙহনবা লৈখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খঙহনখ্রবা মতুংদা লোনা য়াদবা মওংদা পেলিষ্টিনিয়নশিং খুঙ্গং অসিদা নম্ফুন্দা য়ুম শাজিনবা অমদি লল্লোন ইতিক চথরকপদগী তঙাইফদনা লোগী মতুং ইন্না থুগাইবগী থবকশিং অদু চথখিবনি হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সকী কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু পেলিষ্টিনিয়ন রাইটস গ্রুপশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী মথক্তা ক্রাইম চথরিবা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ইন্তরনেসনল কম্ম্যুনিটিশিংনা লোগী মতুং ইন্না এক্সন লৌখৎনবা আপীল তৌরক্লি।

হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ুম কয়া থুগাইখিবা অদুনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অপিকপা অঙাংশিং য়াওনা মীওই কয়া লৈফম লৈতবগী চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মফম অদুদা পুন্না ইমুং ১৩০ গী মীওইশিং লৈফম লৈতবগী অৰাবা মায়োক্লরি। হায়রিবা অৰাবা তারবা মীওইশিং অসিদা খুদক্কী ওইনা মতেং পাংবগী মমি উদ্রি। অমরোমদা জেরুসালম ম্যুনিসিপাল ওফিসলশিং অমসুং ইজরেলি কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালমদা জ্যুশিং নম্না খুন্দাহনগনি হায়না মমাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ইজরেলিগী ফোরেন মিনিষ্টর য়াইরর লাপিদনসু মসিগা চপ মান্নবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# শকখঙদবশিংনা কিদনেপ তৌদুনা ওৎ-নৈরবা মতুং অমুক হন্না থাদোরকখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টানদা লৈবা অফঘান এম্বেসেদরগী মচানুপী সিলসিলা অলিখিলবু মশক খঙদবা মীওইশিংনা কিদনেপ তৌরবা মতুং ওৎ-নৈবা অমদি ফুবা-চৈবগী থবক তৌরগা অমুক হন্না থাদোরকখ্রে। মহাক হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথরি হায়না অফঘান গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রে।

পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনসু থৌদোক অদুবু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা এম্বেসেদরগী মচানুপী ফাদুনা ওৎ-নৈবগী থবক চথখিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা পাকিষ্টানদা লৈরিবা অফঘান এম্বেসিদা অহেনবা সেক্যুরিটি পীখ্রে হায়রি।

অফঘানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সিলসিলা অলিখিল মহাক্কী ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা মশক খঙদবা মীওইশিংনা ফাদুনা পুখিবনি। মদুগী মতুং মহাকপু মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা ওৎ-নৈবগী থবক চথরবা মতুং থাদোরকখিবনি। মহাক হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথরি। থৌদোক অসি অফঘান গভর্নমেন্টনা য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রবসু মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলদি মীয়ামদা ফোঙদোকখিদে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অফঘানদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিবু অফঘান গভর্নমেন্টনা কৌখৎখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌনবা খঙহনখ্রে। পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনসু অসিগুম্বা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবা থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অখন্নবা পুলিস টিম অমা শেমদুনা থিগৎহনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। কেস অসিগী মতাংদা মহাকমশানা হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়না অফঘান গভর্নমেন্টকী মফমদা মহাক্না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননসু থৌদোক অসি য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং পুং ৪৮ গী মনুংদা ফাদুনা চৈরাক পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর শৈখ রসিদ অহমদনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



## য়ুরোপকী ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মশিং ১৮৩ শুখ্রে

বর্লিন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
য়ুরোপতা ঙরাংদগী হৌরগা অকনবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং ১৮৩ শুখ্রে। মদুগী মনুংদা ১৫৬ তি জর্মনখক্তদগীনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা জর্মন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবকশিংদা ঈশিং ঈচাও থোকহনখিবগা লোয়ননা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং অসি থোকহনখিবনি। মরুওইনা জর্মনদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী শরুক খরদা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া শিহনখিবনি।

মরুওইনা জর্মনিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মফমশিংদা ঈচাও অসিনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমসু অশোক অপন নংহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা জর্মনদা ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৫৬ শিহনখ্রে অদুগা ৬৭০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে। অমরোমদা ঈচাওনা কা হেন্না শোকহনখ্রবা মফমশিংদা চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেলনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

# স্পেনদা লাম্মে চাক্লকপদগী মীওই চা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে

বর্সেলোনা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা স্পেনগী কোষ্টা ব্রাভা রিজনদা অকনবা মওংদা লাম্মে চাক্লকপদগী মফমদুদা লৈরম্বা মীওই ৩৫০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না লৈরম্বা য়ুমশিং মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়না রিজনেল ফায়র সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

বর্সেলোনা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা লাম্মে অদু মুথৎত্রিবা চুরুট অমদগী হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই। কা হেন্না কংলবা পাম্বীশিং হৌবা মফম অদুদা নহা খরনা চুরুট থক্লগা মুথত্তনা লংশিল্লম্বগী লম একর ১,০০০ রোম হেনবা অদু মৈনা চাকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা থাজরবসু চপ চাবা মরমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। ফায়রফাইটরশিংনা মৈ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ঈশিং পুবা প্লেনশিংসু শীজিন্নরি। মৈ অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা এয়রক্রাফ্‌কী থবক শীজিন্নখি অদুগা লৈমায়গী শরুক্তা ফায়রফাইটর ৯০ না মৈ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে হায়না কটালান রিজনেল গভর্ণমেন্ট ফায়র সার্ভিসতা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পুলিসনা চিংনরিবা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি অসিগুম্বা থৌদোক অসিবু থোকহনবদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। লাম্মে অদুনা মরম ওইরগা লম একর ১,০০০ রোমদা হৌবা পাম্বী কয়া তুম্না চাকহনখিবগা লোয়ননা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অদু লুম্না লৌই।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক মীওই ৪০০ হেন্না লৈফম লৈতবগী অৰাবা মায়োক্লরি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অৰাবা তারবা মীওইশিংদা খুদক্কী ওইনা তেংবাঙ পীবগী থবকসু পাঙথোক্রিবা মরম্না ময়ুম মকৈ লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়রি। অমরোমদা অৰাবা তারবা মীওইশিংদা মতেং পীনবগীদমক শেম শাবা লোইরে হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখি।

# চহী নৌরিবা নহাশিংদা মাস কোভিদ ভেক্সিনেসন চথনবা বৃটিশ মিনিষ্টরশিংনা ফিরেপ লৌখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা মালেম পুম্বদা অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং লায়না লাইচৎ অসিনা মখা তানা চৈথেং পীরক্তনবা হোৎনবগী পান্দমদা বৃটেননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী নৌরিবা নহাশিংদা মাস ভেক্সিনেসন চথনবগীদমক ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

জোইন্ট কম্মিটি ওন ভেক্সিনেসন এন্দ ইম্যুনাইজেসনন বৃটিশ মিনিষ্টরশিংদা চহী নৌরিবা অঙাংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা পাউতাক পীখ্রবা মতুং মিনিষ্টরশিংনা মাস ভেক্সিনেসনগী ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। চহী ১৮ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুং চহী ১২ শুরবা নহাশিংদসু ভেক্সিন অসি কাপথোক্লবা এদভাইজরশিংনা পাউতাক পীরকপগী মতুং ইন্না মিনিষ্টরশিংনা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

বৃটেনগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা চহী ১২ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিং



কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মিনিষ্টরশিংনা ফিরেপ লৌখ্রবসু করম্বা থাদগী হৌরগা হীদাক কাপ্পগী থবক চথবা হৌগদগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বৃটেনদসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি কন্ট্রোল তৌবদা অৰাবা অমা ওইরি।

ওথোরিটিশিংনা বৃটেনগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা অমুক হন্না লোকদাউন থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিনবগী থৌদোকসু লৈখ্রে। পুলিস অমসুং খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংগা মুক্লবগী থৌদোক্তা অশোক অপন কয়া অমা থোকখ্রে। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা বৃটেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি।

অমরোমদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা লৈবাক অদুদা হান্না থল্লম্বা অথিংবা খরা থা অসিগী ১৯ দগী লৌথোকপা হৌরগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে হায়রি।

# 'ইরাননা মরম ওইরগা ন্যুক্লিয়র টোক মপুং ফাবা ঙমহনদবনি'

ৱাশিংটন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল মপুং ফানা মায় পাকপা ঙমহন্দ্রিবা অসি ইরাননা য়ানখিবশিং অদুগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎলক্তবনি হায়না য়ু এসনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ৱারী শান্নরিবা অসিদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা অসিসু ইরানগী অশোয়বনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী চীফ ন্যুক্লিয়র নিগোসিয়েটর অবাস অরাকচিনা লৈবাক অদুদা হৌজিক হৌজিকসু য়ুরেনিয়ম প্রদক্টশিং পুথোকপগী থবক চথরি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা মরালশিং অসি শীরকখিবনি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় নেদ প্রাইসনা ফোঙদোকখিবদা ইরানগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি মালেমগী মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোইদবা অমনি।

ভিয়েনাদা হৌজিক হৌজিক ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা শান্নরিবা ৱারী অসি য়ু এসনা ঈকায়খুম্নবা উৎলি। অদুমওইনমক ইরানগী মায়কৈদগী ন্যুক্লিয়র দিলগা মরী লৈননা চৎকদবা লম্বীদা ঙসি ফাওবা চৎলক্তবনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি লাকখিবনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 190,754,444 | +484,283 | 4,098,677 | +7,191 | 173,815,044 | 12,840,723 |
| 1 | USA | 34,953,937 | +24,081 | 624,715 | +113 | 29,369,181 | 4,960,041 |
| 2 | India | 31,105,270 | +41,283 | 413,640 | +517 | 30,262,233 | 429,397 |
| 3 | Brazil | 19,342,448 | +34,339 | 541,323 | +823 | 17,983,275 | 817,850 |
| 4 | Russia | 5,933,115 | +25,116 | 147,655 | +787 | 5,322,345 | 463,115 |
| 5 | France | 5,855,198 | +10,949 | 111,467 | +16 | 5,658,570 | 85,161 |
| 6 | Turkey | 5,522,039 | +7,666 | 50,488 | +38 | 5,380,752 | 90,799 |
| 7 | UK | 5,386,340 | +54,674 | 128,683 | +41 | 4,390,942 | 866,715 |
| 8 | Argentina | 4,749,443 | +12,230 | 101,434 | +276 | 4,379,169 | 268,840 |
| 9 | Colombia | 4,621,260 | +19,925 | 115,831 | +498 | 4,372,434 | 132,995 |
| 10 | Italy | 4,284,332 | +3,121 | 127,864 | +13 | 4,112,977 | 43,491 |
| 11 | Spain | 4,100,222 | | 81,096 | | 3,660,683 | 358,443 |
| 12 | Germany | 3,751,234 | +1,312 | 91,894 | +16 | 3,638,800 | 20,540 |
| 13 | Iran | 3,501,079 | +15,139 | 86,966 | +175 | 3,118,349 | 295,764 |
| 14 | Poland | 2,881,355 | +114 | 75,212 | +7 | 2,652,951 | 153,192 |
| 15 | Indonesia | 2,832,755 | +51,952 | 72,489 | +1,092 | 2,232,394 | 527,872 |
| 16 | Mexico | 2,642,068 | +12,420 | 236,015 | +275 | 2,074,145 | 331,908 |
| 17 | South Africa | 2,283,880 | +14,701 | 66,676 | +291 | 2,028,881 | 188,323 |
| 18 | Ukraine | 2,244,196 | +591 | 52,718 | +16 | 2,180,957 | 10,521 |
| 19 | Peru | 2,092,125 | +1,950 | 195,047 | +112 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,788,435 | +11,036 | 17,775 | | 1,658,933 | 111,727 |
| 21 | Czechia | 1,670,832 | +238 | 30,338 | +1 | 1,637,716 | 2,778 |
| 22 | Chile | 1,598,481 | +1,932 | 34,403 | +94 | 1,549,660 | 14,418 |
| 23 | Philippines | 1,502,344 | +6,025 | 26,597 | +121 | 1,428,412 | 47,335 |
| 24 | Iraq | 1,483,014 | +8,149 | 17,789 | +38 | 1,348,303 | 116,922 |
| 25 | Canada | 1,422,918 | +277 | 26,492 | +3 | 1,391,722 | 4,704 |
| 26 | Belgium | 1,103,413 | +1,344 | 25,209 | +1 | 1,051,372 | 26,832 |
| 27 | Sweden | 1,094,287 | | 14,609 | | 1,070,016 | 9,662 |
| 28 | Bangladesh | 1,092,411 | +8,489 | 17,669 | +204 | 923,163 | 151,579 |
| 29 | Romania | 1,081,588 | +49 | 34,252 | +2 | 1,046,719 | 617 |
| 30 | Pakistan | 986,668 | +2,949 | 22,760 | +40 | 918,329 | 45,579 |
| 31 | Portugal | 927,424 | +3,677 | 17,199 | +5 | 860,449 | 49,776 |
| 32 | Malaysia | 905,851 | +12,528 | 6,866 | +138 | 779,171 | 119,814 |
| 33 | Israel | 850,968 | +864 | 6,446 | +2 | 837,944 | 6,578 |
| 34 | Japan | 834,546 | +3,360 | 15,027 | +13 | 795,388 | 24,131 |
| 35 | Hungary | 808,725 | | 30,015 | | 742,632 | 36,078 |
| 36 | Jordan | 760,550 | +389 | 9,887 | +8 | 742,730 | 7,933 |
| 37 | Serbia | 718,465 | +166 | 7,080 | +2 | 709,307 | 2,078 |
| 38 | Switzerland | 707,976 | | 10,902 | | 690,364 | 6,710 |
| 39 | Nepal | 665,886 | +1,310 | 9,527 | +21 | 630,407 | 25,952 |
| 40 | UAE | 659,449 | +1,565 | 1,896 | +4 | 637,267 | 20,286 |
| 41 | Austria | 653,412 | +411 | 10,728 | | 639,422 | 3,262 |
| 42 | Morocco | 555,488 | +2,853 | 9,434 | +7 | 530,801 | 15,253 |
| 43 | Lebanon | 550,492 | +488 | 7,884 | +1 | 535,216 | 7,392 |
| 44 | Tunisia | 540,798 | +7,524 | 17,354 | +140 | 429,646 | 93,798 |
| 45 | Saudi Arabia | 508,521 | +1,098 | 8,063 | +15 | 489,553 | 10,905 |
| 46 | Kazakhstan | 483,412 | +5,658 | 4,909 | +45 | 427,237 | 51,266 |
| 47 | Ecuador | 475,215 | +1,568 | 21,933 | +34 | 437,167 | 16,115 |
| 48 | Bolivia | 460,818 | +1,239 | 17,406 | +31 | 387,979 | 55,433 |
| 49 | Greece | 455,754 | +2,554 | 12,816 | +7 | 414,538 | 28,400 |
| 50 | Paraguay | 444,427 | +1,049 | 14,230 | +52 | 402,305 | 27,892 |

# য়ু এসতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শোকখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা য়ু এস কেপিটেলদা লৈবা বেজবোল ষ্টেদিয়মদা মীয়াম্না শান্নবগী কুম্মৈ য়েংলিঙৈদা খঙহৌদনা থোরকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই ৪ অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শোক্লবশিং অদু কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইগী মতাংদা পুলিসনা মীয়াম খঙনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপদি লৈত্রি। অদুমওইনমক ষ্টেদিয়ম অদুদা থোকখিবা লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৪ শোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু করি মরমগীদমক কনানা চথখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অদু ফানবগীদমক পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। অতেনবা মতমগী মনুংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই ফাদুনা মরালগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি। অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লৈবাক অসিদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্লা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মরম লৈতনা ইন্দিবুজিয়েলশিংদা নোংমৈ ইশ্যু তৌদনবা খঙহনবসু লৈখ্রবনি।

# বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর মতম খরা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈগদৌরি

লন্দন, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমগা লোয়নরুবদগী বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন অমসুং মহাক্কা লুহোংগদবগী হায়না শীংনদুনা লৈরবী মিনিষ্টর রিসি সুনা মতম খরগী ওইনা সেল্ফ আইসোলেট তৌদুনা লৈরগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ মিনিষ্টর সাজিদ য়াবিদনসু হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মহাক মশা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক মশা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙদ্রিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চান্সলরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থবকশিং চথখি। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়শিং অদুসু মতম খরা আইসোলেট তৌদুনা লৈনবা খঙহনখিবনি। মহাক্কা লোয়নরুবা মীওইশিংসু য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০ নি সেল্ফ আইসোলেট তৌদুনা লৈনবা মিনিষ্টর অসিনা আপীল তৌরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীয়াম্নসু য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লক্লি। লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী বৃটেনদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌখ্রবসু লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপদি মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা অথিংবা কোমথোক্লবসু মীয়াম্না লৈঙাক্লা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি হায়বা অকনবা ৱাফমসু থল্লক্লি।

# মালিদগী শকখঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা ৱার্কর ৫ ফাদুনা পুখ্রে

বামাকো, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
মালিগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা কন্সট্রক্সন সাইট অমদগী শকখঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা চাইনিজ নেসনল অহুম অমদি মোরিটানিয়ন অনী ফাদুনা পুখ্রে হায়না লোকেল ওফিসরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মালিগী মনুং চনবা ক্বালা টাউনদগী কিলোমিটর ৫৫ রোম চৎলগা লৈবা কন্সট্রক্সন সাইট অদুদা গাড়ী ৫ দা লাকখিবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা ৱার্কর ৫ অদু ফাদুনা পুখিবনি। মীওই ৫ অদু ফাদুনা পুবা খক্তা নত্তনা খূৎলাই পায়বশিং অদুনা চাইনিজ কন্সট্রক্সন ফার্ম সী ও ভি ঈ সীগী ক্রেন অমদি লৈবাক হোন্নবা ত্রক খরসু অমাং অতা থোকহনলমখি।

মালিয়ন আর্মী ওফিসলশিংনা থৌদোক অসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্সট্রক্সন সাইটতগী শক খঙদবা খূৎলাই পায়বশিং অদুনা ফাদুনা পুখ্রবা ৱার্কর ৫ অদুবু অথুবা মতমদা তেক্তা কায়দনা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনগনি। মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওদনা রেস্ক্যু তৌবা হায়বসি লৈবাক অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ দগী হৌরগা অল কৈদা অমসুং আই এস আই এল (আই এস আই এস) কা মরী লৈনবা রেবেল গ্রুপশিংনা মালিদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক কয়া চথদুনা লাক্লি। রেবেল গ্রুপশিং অসিনা মালিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা মপুং ফানা ওপরেট তৌবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মালিগা থংননা লৈরিবা বুর্কিনা ফাসো অমসুং নাইজরদসু য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক কয়া থোকহল্লি। রেবেল গ্রুপ অসিনা চথরকখিবা মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী মীওই লীশিং কয়া মশাগী ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেনহনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা অরেম্বদা শিহনখ্রে। রেবেল গ্রুপ অসিনা মালিদা লাকপা ফোরেনরশিংবু ফারবা মতুং শেলগী দিমান্দ তৌবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চথৈ।

# পেট্রোল টেঙ্কর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখ্রে, খরনা শোকহনখ্রে

নাইরোবি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
কেনয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা ঙসি পেট্রোল টেঙ্কর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিজিনবগী থবকশিং চথবা হৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবদা কেনয়াগী কোনুং নাইরোবিদগী কিলোমিটর ৩১৫ রোম চৎলগা লৈবা মলাঙাগী মী য়াম্না চিনবা হায়ৱে অমদা থোকখিবনি। পেট্রোল টেঙ্কর অসিগা অতোপ্পা গাড়ি অমগা থেংজিন্নরবা মতুং টেঙ্কর অদুদগী থাও যুবা হৌরকখিবগা লোয়ননা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংদা টেঙ্কর অদুদগী পাইথোরকপা অচাকপা থাওনা চোংবদগী মীশি মীনাগী লাইবক থিবা থৌদোক



অদু থোকখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লোকেল পুলিস চীফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা টেঙ্কর পোকখায়বগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। পুলিসনা মফম অদু য়ৌবা মতমদা মীওই ১২ দি হান্ননা শিদুনা লৈরল্লে। অদুগা অমনা হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং মৈনা কা হেন্না চাকখিবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। ফায়র সর্বিসকী মীওইশিংসু থৌদোক হেক থোকখিবগা মফম অদুদা য়ৌশিল্লকপা ঙমখিদে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পুঙ ২ রোম লৈরগা ফায়র সর্বিসকী মীওইশিং থৌদোক থোকফমদা য়ৌরকখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটালশিংদা অশোকপা মীওইশিং অদু পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা অনীগী ফিভম লুনা লৈরি। মখোয় অনী নাইরোবিদা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথনবগীদমক পুদুনা চৎখ্রে হায়না লোকেল পুলিস ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থেংজিন্নবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং টেঙ্কর অদু মতৌ করম্না পোকখায়রকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা টেঙ্কর পোকখায়বগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি।